**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-02-2025)**

**সরেন্দর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা আইননা য়াদবা খুৎলায়শিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম নুমিৎ তরেৎনিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা নোংমৈ ৩০৭ পীখৎলকখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-অহানবা মনিপুর রাইফলস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা নোংমৈ ২৪৬ সেক্যুরিতি ফোর্সতা খুৎশিন্নরকখি। অদুগা, চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদনা পুন্না নোংমৈ ৬১ খুৎশিন্নরকখি।

মরক অসিদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়ুনিট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা ঙসি নোংমৈ ২২ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম খুৎশিন্নরক্লে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী খুথাংদা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পিদা খুৎশিন্নরকখিবনি। সি.দি.ও. য়ুনিট বিষ্ণুপুরদা খুৎশিন্নরকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এস.এল.আর. অনি, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী খুথাংদা শিন্নরকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল অমসুং দবল বেরেল নোংমৈ অমমম, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, ৱয়ারলেস সেট অহুম অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

কুম্বী পলিস ষ্টেসনগী খুথাংদা শিন্নরকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদ-দবল বেরেল নোংমৈ অহুম, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, টুয়েল্ব বোরগী কারটিজ

৩২, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরুশিং অমদি ৱয়ারলেস সেট তরুক য়াওরি।

বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-দবল বেরেল নোংমৈ অহুম, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরি, বোল্ট এক্সন গন অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, অতৈ নোংমৈ মরুশিং অমসুং ৱয়ারলেস সেট ৮ নচিংবা পোৎলম কয়া য়াওরি।

ফৌগাকচাউ ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী খুথাংদা শিন্নরকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, কম্বেদ হেল্টমেট ৯, ট্যুব লোঞ্চর অহুম অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

**মীফম (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেনট কো-ওর্দিনেটিং এন্দ মোনিটরিং কমিতিগী মীফম অমনা থৌবাল জিলাদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী লোইশঙশিংনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অদু থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা লোক সভাগী আউটর এম.পি. অলফ্রেদ কনঙম আথরনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

তোঙান তোঙানবা সরকারগী লোইশঙ ২৫ গী কর্ম্মচারিশিংনা মাগী মাগী লোইশঙশিংনা জিলা অসিদা কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা এম.পিদা পাউদমখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী আথরনা হায়-মীফম অসিগী মরুওইবদি কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম ৯৪ রোম অসিগী কান্নবা মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবনি। থবক থোরমশিং অসিগী কান্নবা মীয়ামদা চাদা চান্মা ফংহনবা ঙমদ্রবসু হেক ঙমলিবমখৈ নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু শ্রী আথরনা কর্ম্মচারিশিংদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং এন্দ মোনিটরিং কমিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস, এম.এল.এশিং-কে. মেঘাচন্দ্র অমসুং ও. সুরজাকুমারনচিংবা শরুক

য়াখি।

**হেন্দলুম (এল)ঃ** রাজ্য অসিবু মশক তাক্লিবা পোৎলমশিং জিওগ্রাফিকেল ইন্দকেসন ওফ গুদস (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট -১৯৯৯ গী মখাদা রেজিস্তার তৌনবগী মতাংদা পাব্লিক হিয়ারিং অমা হয়েং কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী কনফরেন্স হোলদা অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা হিয়ারিং অসিদা লশিং ফি, ফৈঙাউ, রানি ফি অমসুং ফনেকপু জি.আই. টেক পীনবগী মতাংদা মরী লৈনবা মীওই অমসুং এসোসিয়েসনশিংগী ৱাকৎশিং তাগনি।

**বি.জে.পি. (এল)ঃ** বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক অমসুং লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ খোংবানতাবম ইবোমচানা হায়রি-লৈবাক্কী ওইবা অরুবা তানফম লাকপা মতমদদি ইশা-ইশাগী ওইবা লন্নাই ৱাফমশিং নাথৈদুনা থমগদবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পুংদোংবমদা লম্বী শেন্বগী থবক য়েংশিনবা চৎপদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী ইবোমচানা হায়- হায়-নোংথোম্বম বিরেননা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা রাজ্য অসিদা সসপেন্দেট এন্যিমেসনদা রাস্ত্রপতিগী লৈঙাক থল্লকখ্রবা মতুংদা মীয়ামনা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা মায়কৈ কয়াদগী ফোংদোরক্লিবা ৱাফম অসি বি.জে.পিনা ইকায় খুমৈ। মরম অসিমকা লৈঙাক অমা শেমনবা হোৎনবা লেপত্রি। হাথু হাথুনা থবক পায়খৎপা য়াদবদগী মতম খরা লৌবনি। মসিদা ৱাখল্লোন খেৎনবগী ৱাফম করিসু লৈতে। অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা শোয়দনা মতেং পাংল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু শ্রী ইবোমচানা ফোংদোকখি।

**ওরিয়েন্টেসন (এল) ঃ** চাইল্ড মেরিয়েজ প্রোহিবিসন ওফিসারশিংগী ওরিয়েন্টেসন কম সেন্সিতাইজেসনগী থৌরম অমা রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়- বাল বিভা মুক্তা ভারত কেম্পেইনগী মখাদা চাইল্ড মেরিয়েজ প্রোহিবিসন ওফিসারশিংগী মশিং হেনগৎহন্দুনা কেম্পেইন অসি মায় পাকহন্নবা কন্না হোৎনরি। অঙাং লুহোংবগী চাং অসি চিংগী লমগা য়েংনবদা তম্পাক্তনা মশিং য়াম্বা হেল্লি। মরম অদুনা, বি.দি.ওশিং, পঞ্চায়ট সেক্রেটরিশিংবু অদুগা চীংগী লমদনা বি.দি.ওশিং খক্তবু চাইল্ড মেরিয়েজ প্রোহিবিসন ওফিসার ওইনা মথৌ তৌহন্দুনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

**সেন্সিটাইজেসন(এল)ঃ** আয়ুসমান ভারত-প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনা অমসুং চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং স্কিমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট হেলথ এজেন্সি মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চহি ৮ লোম শুরবা স্কিমশিং অসিনা রাজ্য অসিগী লাইরবা অমসুং শোথরবা ইমুংশিংদা লেমা অনা লায়েংগী খ্দোংচাবা পীরিবশিং মীফম অদুদা কুপা খন্ন- নৈনখি। থৌরম অদুদা ষ্টেট হেলথ এজেন্সিগী অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবা মীওইশিংগা অখণ্ড অহৈশিং অদুগা ৱারী-ৱাতাইসু শান্নখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এম.ঐচ.টি. মনিপুরগী আই.ই.সি. মেনেজর- রিনসোফি চামরোইনা হায়-কুমজা ২০১৮ দগী চৎনবা হৌরকখিবা সি.এম.ঐচ.টি. অসি হৌজিক হোস্পিতাল ৭৫ দা চৎনরি।

**ককচিং(এল)ঃ** এন.আর.ই.জি.এস. স্কিমগী মখাদা ককচিং কেন্দ্রগী সোরা

মমাং লৈকাইদা শেম্বা লম্বীগী ফিভম ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

লম্বী অদু কোইলাস থাদুনা নৌনা শেমজিনবনি হায়রি।

**এৱারনেস (এল) ঃ** নুপীগী হক অমসুং পোক্সো এক্ট-২০১২ গী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী পুরুম-পন্থা কম্ম্যুনিতি হেলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা পুরুম-পন্থা স্নু লুপকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাং, কম্মিসনগী মেম্বরশিং-পি.চোংশিন কোইরেং অমসুং এস.কে. সোফিয়া মোয়োন অমসুং চান্দেলগী এদিসনেল এস.পি-তি.এস. চমনা অনালনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সননা হায়-নুপীশিংনা মখোয়গী হক ঙাকচবা ঙমনবা চপ চাবা থৌদাং অদু লৌগদবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজকা মরী লৈনবা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টরগী মখাদা লৈবা পাঙ্গলতাবীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

**পেন্টিং (এল)ঃ** নম্বুল তুরেলগী মমাংদা লৈবা কৈশামথোংদা যোগগী আসনশিং উৎপা অমসুং মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপা চাংদমবা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম নম্বুল রিভর দিবলপমেন্ট কমিতি-কৈশামথোং অমসুং সনা জমস্থান ক্লব-কৈশামথোংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**ইস্কোন (এল)ঃ** রাধা মাধপ কলচরনা ওর্গনাইজেসনগী অহানবা কুমওন থৌরম ঙসি ইস্কোনগী মণি মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুপ অসিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলগী মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি লোন্না মৈ কোৎপশিং থিংবগী থবক চথবদা মীওই ৩৬ ফাগৎতুনা মৈ ককখ্রে।

মীওইশিং অদু লমলোং সব দিভিজনগী অচানবিগৈ অখাম লৈরক্তগী অনি, ককচিং সব-দিভিজন এরিয়াদগী অমা, য়াইরিপোক সব দিভিজনগী হিজম খুনৌ এরিয়াদগী অনি, থৌবাল সব দিভিজন এরিয়া অমসুং বিষ্ণুপুর সব দিভিজন এরিয়াদগী অহুম-অহুম য়াওরি। মোইরাং সব দিভিজনগী ক্বাক্তা ৱার্ড নম্বর থ্রি এরিয়াদগী অনিনি।

**সিতরামন ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-মালেমগী ওইনা শিংনবা কয়া মায়োকরবসু ভারতকী চাউখৎপগী মায়কৈদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্কি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মেদিয়া কনক্লেপতা ৱা ঙাংলদুনা শ্রীমতি সিতারামননা হায়-শিংনবা কয়াগী মরক্তা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তরাইবা ৱাফম অমদি নত্তে। মালেমগী ওইবা শিংনবা কয়াগী চৈথেং মায়োকরবসু লৈবাক অসিনা লল্লোন ইতিক অমসুং টেকোলোজিগী লমদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চংখৎনবা হোৎনরি।

মহাকা হায়-চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা টেকোলোজি অমসুং লম কয়াদা হৈথোই শিংথোইবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

**মুরমু ঃ** নুমিৎ মরিনিগী গুজরাট খোঙচৎতা রাজ্য অদুদা লৈরিবা রাস্ত্রপদি-

দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি আইকোনিক য়ুনিটি ষ্টেচুদা চৎতুনা লৈবাক অসিগী য়োৎকী মী-সদার ভালপভাই পতেলগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

এক্তা নাগরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু শ্রীমতি মুরমুনা চৎতুনা য়েংখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু পরহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দশিংদা শান্নখিবা মেটচতা - এস.ত্রিপল সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা ত্রাউ-ক্বাকৈথেলবু ৰিকেট তরুক্তা, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল চিংঙামখাবু রন-৪ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৰিমেন্স ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.পি.আর.সি. পাৎশোইনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু ৰিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** সি.ৱাই.সি.এল. গ্রাউন্দ শিংজমৈ চিংঙামথক্তা হৌজিক চথুরিবা ৩৬ শুবা ষ্টেট লেবেল মিণি বোইজ এন্দ গার্লসকী নুপাগী মেটচশিংদা- আই.এম.সিনা এল.এস.ডব্লিয়ু.সিবু ৯-৩ দা, এস.এস.সিনা ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ১৭-৪ দা, এম.আর.সিনা ই.এস.য়ুবু ১১-০ দা, কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা এস.আর.ও.ৱাইবু ১৯-৪ দা, ৱাই.এল.কেনা এল.এস. ডব্লিয়ু.সিবু ২২-৬ তা, ও.ৱাই.ওনা সি.ৱাই.বি.ও.এলবু ২৩-৮ দা, এস.এস.সিনা এম.আর.সিবু ১৬-১০ দা, ও.আই.ওনা এস.আর.ও.ৱাইবু ১৩-৭ তা থোইখি।

নুপীগী কাংলুপ্তুনা ও.আই.ওনা এস.আর.ও.ৱাইবু পাঞ্জল ৭-১ দা, কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু ৮-৪ দা, ও.ৱাই.ওনা এস.এস.সিবু ৭-৬ তা, কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওনা ৱাই.এল.কেবু পাঞ্জল ১০-৯ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১১ শুবা লেট মেজর বোব খক্তিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ঐচ.পি.এফ.এনা ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ঐচ.পি.এফ.এনা সেমকা এফ.সিবু থোইখিবনি।

স্পোর্টস মিট অসিগী ভোল্লিবোলগী ইভেন্টতনা ইগল ভোল্লিবোল ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইরে।

**ফেলিসিটেসন (এল)ঃ** উত্তরাখন্দদা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মেদল লৌরক্তুনা লমদম অসিগী মায় পুরকখিবা বিষ্ণুপুর জিলাদগী শান্নরোই ৮ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিকট ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথে